অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট হৌদোকখ্রে

# সেক্তা-এনা নাইন সাইনিং ষ্টার অমদি মমা এফ সীনা ব্রদরস এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএনএস)ঃ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট ৱিং লনগৈনা শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্টকী নোংপোক সঞ্জেনবমগী লনগৈ ভিলেজকী গ্রাউন্দদা চথরিবা অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা সেক্তা-এনা নাইন সাইনিং ষ্টার (এন এস এস) পুংদোংবম অমদি মমা এফ সী (এম এফ সী) শগোলবন্দা ব্রদরস এফ সী (বি এফ সী) খুরাইবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা অহানবা লনগৈ ত্রোফি ষ্টেট লেভেল নাইন এ সাইদ মেন্স ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ৮শুবা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা সেক্তা-এ অমসুং নাইন সাইনিং ষ্টার (এন এস এস) পুংদোংবম লম্বা তৌনখি।

মেচ অদু টিম অনীনা হেক হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফকী ১৭শুবা মিনটতা সেক্তা-এগী বিজেন্না এন এস এসকী মায়কৈদা রেকলেষ্ট ক্রোসিং তৌরুবগী ফাওল তাদুনা রোফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি। মেচ অদু মায় পাক্ল বগীদমক টিম অনীনা অহানবা হাফতা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লাক্লবসু পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া চত্থনখি। মেচকী লোইরমদাই মীৎকুপ ৩১শুবা মিনটতা সেক্তা-এগী জিরাপনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্তুনা সেক্তা-এনা পাঞ্জল ১-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা এন এস এসকী মায়কৈদগী সেক্তা-এগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙমদনা মেচ অদু মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা মামা এফ সী (এম এফ সী) শগোলবন্দ অমসুং ব্রদরস এফ সী (বি এফ সী) খুরাই লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা লোইবা ফাওবদা অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ তঙ্খাই চল্লকপা মীৎকুপ ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চত্থনরবসু পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্ন খিদে। পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া চত্থনরবসু অহানবা হাফ লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফ হেক হৌরকপগী টিম অনীনা অহানবা হাফতা শান্নখিবা মওংদগী য়াঙনা শান্নরকপা উখি। মেচকী ২৬শুবা মিনটতা মমা এফ সীগী মায়কৈদগী শোয়বদগী ব্রদরস এফ সী খুরাইগী পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেচ অদু ব্রদরস এফ সীনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি। মিনট ৩ কান্নরগা মেচকী ২৯শুবা মিনটতা মামা এফ সীগী রোসন্না ব্রদরস এফ সীগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু টিম অনীনা পাঞ্জল ১-১দা অমুক লৈনখি।

গোল ইক্বেলাইজ তৌখ্রবা মতুং টিম অনীগী মায়কৈদগী অহেনবা পাঞ্জল চন্নবা এটেক কয়া চত্থনখি। মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা অমুক মমা এফ সীগী সনাতোম্বনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু মহাক্কী টিম্না পাঞ্জল ২-১দা অমুক মাঙজিল থাদুনা লৈখি। সনাতোম্বনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মেচ অদু মমা এফ সীনা পাঞ্জল ২-১দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা পুশিনখি। ব্রদরস এফ সীগী মায়কৈদগী মমা এফ সীগী মাঙজিল থারিবা অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চত্থরক্লবসু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু মায়থীহৌখি।

তরেৎশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ হৌদোকখ্রে

# অহানবা মেচতা কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা ফাইটোল এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএন এস)ঃ ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) জিরিবামনা শীন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী শান্নবুংদা ৭শুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ হৌদোকখিবগা লোয়নননা অহানবা মেচতা কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা ফাইটোল এফ সীবু মায়থীবা পীখ্রে।

টিম কয়ানা শরুক য়াদুনা চথরিবা তরেৎশুবা কে এস ঐচ নোনিগোপাল মেমোরিএল ইনভাইটেস ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা জিরিবাম কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ এম দি অসাবউদ্দিন, ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএসন (আই জে এস এ) গী প্রসিদেন্ট এম ব্রজকান্ত, দিবোং গ্রাম পঞ্চায়টকী প্রধান আর কে নোবিনসন্না, জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এস পি এম মুবী অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী দোনর কে বসানানা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী অহানবা মেচ ওইনা ঙসি কুকি স্পোর্টিং ক্লব (কে এস সী) অমসুং ফাইটোল এফ সী (পি এফ সী) লম্বা তৌনখি। মেচ অদু কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি। অদুগা ফাইটোল এফ সীনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া চত্থনরবসু লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপা ঙম্নদনা মেচ অদু পাঞ্জল ০-০দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফকী ৪৬শুবা মিনটতা এফ সী ফাইটোলগী মায়কৈদগী জর্সি নম্বর ১০ থানগৌলালনা মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোকখি। কুকি স্পোর্টিং ক্লবকী মায়কৈদগীসু ফাইটোল এফ সীনা মাঙজিল থানা চৎলিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা কন্না হোৎনরকখি। মেচকী ৫৭শুবা মিনটতা কুকি স্পোর্টিং ক্লবকী জর্সি নম্বর ১১ মাংবোয়না ফাইটোল এফ সীগী পাঞ্জল অদু হন্দোক্তুনা মেচ অদু টিম অনীমক্না পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

মেচ অদু মায় পাক্লবগীদমক মায়কৈ অনীদগী অহেনবা গোল চন্নবা এটেক কয়া চত্থরকখি। মেচকী ৬৬শুবা মিনটতা কুকি স্পোর্টিং ক্লবকী জর্সি নম্বর ৭ ঈলানা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা পাঞ্জল চনশিন্দুনা মেচ অদু কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা পাঞ্জল ২-১দা অমুক মাঙজিল থাদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনহনখি।

ফাইটোল এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা কুকি স্পোর্টিং ক্লবকী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা এটেক কয়া চত্থরবসু মেচ অদুগী অরোইবা মীৎকুপ লোইশিল্লকপদা কুকি স্পোর্টিং ক্লবনা ফাইটোল এফ সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি।

ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা জোইল ভালটে, কে ঐচ নিলকমল, ও বিশেশ্বর অমসুং অজিজ হায়দরনা সেন্টর রেফ্রি এ আর ৱান, এ আর টু অমসুং ফোর্থ রেফ্রি ওইনা ওফিসিএট তৌখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা হয়েং লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচতা মোঙ্গোলোইদ এফ সী অমসুং বরাক ব্রদরস য়ুনাইটেদ শান্নগনি।

৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল

# এন এস এস পুংদোংবম অমসুং এফ সী লমলাই মায় পাকখ্রে, পব-জি খুন্দ্রাকপম ৱাক ওভর ফংখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএন এস)ঃ চালৌ য়ুথ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা ক্লব অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট (চালৌ কপ) ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ঙসি শান্নখিবা মেচশিংদা এন এস এস পুংদোংবম অমসুং এফ সী লমলাই মায় পাকখ্রে। অদুগা পব-জি খুন্দ্রাকপম ৱাক ওভর ফংখ্রে।

টিম ২৬না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ৯শুবা লমলাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজস কেন্দ্র মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী ২৮শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১২.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ ঈগী পব-জি খুন্দ্রাকপম অমসুং কৈবি এফ সী শান্নগদবা মেচ অদু কৈবি এফ সী মতম চানা লাক্তবদগী পব-জি খুন্দ্রাকপম্না ৱাক ওভর ফংদুনা মায় পাকখ্রে।

লীগ রাউন্দগী ২৯শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ২ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ এফকী কাকা এফ সী পাঙ্গৈ অমসুং এন এস এস পুংদোংবম শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতগী লোইবা ফাওবদা এন এস এস পুংদোংবম্না কাকা এফ সীবু য়াম্না লাকচনা শান্নখি। মেচকী ১০শুবা মিনটতা এন এস এসকী জর্সি নম্বর ৭ কে ঐচ লকিসন্না মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চল্লগা মেচ অদু এন এস এসনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি। মেচকী ২০শুবা মিনটতা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ৬ আই জোনিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেচ অদু এন এস পুংদোংবম্না পাঞ্জল ২-০দা লৈদুনা মায় পাকপগী লম্বীদা চঙশিনখি। মেচকী অরোইবা মীৎকুপ ফাওবদা কাকা এফ সীগী মায়কৈদগী এন এস এসকী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীহৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৩০শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবগী অহুমশুবা অমদি অরোইবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ জিগী এফ সী লমলাই অমসুং ও এল টি সৈজাং শান্নখি। অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা এফ সী লমলাইনা ও এল টিবু ৪-১দা মায়থীবা পীখি। এফ সী লমলাইগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু জর্সি নম্বর ৬ এম কবিরাজনা মেচকী ৮শুবা অমদি ২৪শুবা মিনটতা পাঞ্জল ২, জর্সি নম্বর ১০ এস অমরজিৎনা মেচকী ১০শুবা অমসুং জর্সি নম্বর ১১ এম অবোয়না মেচকী ১৬শুবা মিনটতা চনখিবনি। মায়থীহৌরবা ও এল টিগী পাঞ্জল অদুনা জর্সি নম্বর ৮ পর্বিননা মেচকী অহুমশুবা মিনটতা চনখি।

অহানবা সৈজাং খুরাই লৈমা ত্রোফি ২০১৯

# ফাইজোল এফ সীনা ৱাই পি এফ অমদি ৱাই এস দল্লিয়ু সীনা এন ৱাই পি সী থোইখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএন এস)ঃ সৈজাং য়ুথ দিভলপমেন্ট ইন্ত্রিগেসন সেন্টর (এস ৱাই দি আই সী) না শীন্দুনা সেন্তর অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা অহানবা সৈজাং খুরাইলৈমা ত্রোফি (তেলৌ চানা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়ট ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট) ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা ফাইজোল এফ সীনা ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপী অমদি ৱাই এস দল্লিয়ু সী শাবুংখোক্লা এন ৱাই পি সী চানা থোইখ্রে।

টিম ১৪না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা লীগ রাউন্দ অমদি নোক আউট বেসিসতা পাঙথোক্লিবা অহানবা সৈজাং খুরাইলৈমা ত্রোফি (তেলৌ চানা সৈজাং গ্রাম পঞ্চায়ট ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিজ মেন্স ওপন সভেন এ সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট) ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী অনীশুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ১.৩০ তাবগী অহানবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ সীগী ৱাই পি এফ য়াইঙংপোকপী অমসুং ফাইজোল এফ সী শান্নখি। মেচ অদুগী অঙনবা মতম ১২শুবা মিনটতা ৱাই পি এফকী জর্সি নম্বর ৭ এন জি থৌঙম্বনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা ৱাই পি এফনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপদগী লোইবা ফাওবদা ফাইজোল এফ সীনা ৱাই পি এফপু খংলাক লাকশিন্দুনা শান্নখিবনা মেচ অদু লোইশিল্লকপদা ফাইজোল এফ সীনা ৱাই পি এফপু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীখি। ফাইজোল এফ সীগী পাঞ্জলশিং অদু বোয়েস রংলানা মেচকী ২৫শুবা অমদি খুপনৈসেল জাইজেনা মেচকী ৩৩শুবা মিনটতা চনখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ রাউন্দগী ৩শুবা মেচ ওইনা ঙসি নুংথিল ৩ তাবগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা গ্রুপ দিগী ৱাই এস দল্লিয়ু সী শাবুংখোক অমসুং এন ৱাই পি সী চানা শান্নখিবা মেচ অদু ৱাই এস দল্লিয়ু সীনা এন ৱাই পি সীবু য়াম্না লাকচনা পাঞ্জল ৮-২দা মায়থীবা পীখি।

## শান্নরোয়শিংগী নুমিৎতা মুক্না কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮(ঐচএনএস)ঃ মণিপুরদা হৌখিবা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা শান্নরোয়শিংগী নুমিৎ ২০১৯ (প্লেয়রস দে) অসি ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসন (এ এম এম এ) গা এম এম আর সী অমসুং য়ুনিটি পার্ক খাঙবোক্না খূৎশম্নদুনা পার্ক অসিদা থা অসিগী ২৫দা মুক্না কম্পিটিসন পাঙথোক্লগনি।

মুক্না কম্পিটিসন অসি এম এম আর সী এন্দ য়ুনিটি পার্ক অমসুং কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাঙবোক্কী ফাউন্দরসু ওইরিবা চ্যেরমেন কে ঐচ মেঙ্গোর মঙাংনা স্পোন্স তৌবনি। মুক্না কম্পিটিসন অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা চীং অমদি তমদগী খনগৎলবা মুক্নারোইশিংগী কম্পিটিসন (পানা ৱাইজ) দা পাঙথোক্কনি।

লোয়ননা থৌরম অসিদা মণিপুরগী শক্নাইরবা অহল ওইরবা মুক্না হৌদোকপীরকপা অমদি মুক্না শান্নরোয় কয়াবুসু খুদোল পোৎ পীদুনা ইকায়খুম্নগনি। প্রোগ্রাম অসি মায় পাক্না পাঙথোকপা ঙম্নবা কে ঐচ মেঙ্গোর মঙাংনা ওর্গেনাইজিং চ্যেরমেন ওইবা, এম মোধুসুদোন্না কনভেনর ওইবা ওর্গেনাইজিং কম্মিটিগী মীওই ১০না শাবা অমা শেমখ্রে।

থৌরম অসিদা মীপূম খুদিংমক্না শরুক য়াবিয়ু হায়না ওল মণিপুর মুক্না এসোসিএসন (এ এম এম এ) গী জোইন্ট সেক্রেটরি কম কনভেনর এম মোধুসুদোন্না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অনীশুবা ক্লে কোর্ট টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯

## মেন্স ওপনগী ইভেন্টতা বেকর, রঞ্জন অমদি রিভাস্কর মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএন এস)ঃ ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেনিস এসোসিএসন (আই দি টি এ) না শীন্দুনা মণিপুর টেনিস এসোসিএসনগী মীৎয়েং মখাদা আই দি টি এগী টেনিস কোর্টতা চথরিবা অনীশুবা মণিপুর ক্লে কোর্ট টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেন্স ওপন ইভেন্টকী মেচশিংদা বেকর, রঞ্জন অমদি রিভাস্কর মায় পাকখ্রে।

ইভেন্ট ৯দা মেন এন্দ ৱিমেন অমদি বোইজ এন্দ গর্লস হায়না খাইদোক্তুনা চথরিবা অনীশুবা মণিপুর ক্লে কোর্ট টেনিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী মেন্স ওপন ইভেন্টকী মেচ ওইনা অহানবা গ্রাউন্দদা বেকর অমসুং লুকুস শান্নখি। মেচ অদুগী অরোইবা সেট লোইশিল্লকপদা বেকরনা লুকুসপু ৬-১, ৬-২দা মায়থীবা পীখি।

ইভেন্ট অসিগী অনীশুবা রাউন্দগী মেচতা রঞ্জন্না মুংসিং লুইখাম্বু ৬-৪, ৬-২ অমসুং মেন্স ওপন ইভেন্টকী অহুমশুবা কোর্টতা রিভাস্করনা প্রিতম্বু ৬-১, ৬-৩দা মায়থীবা পীখি।

ইভেন্ট অসিগী হয়েংগী মেচ ওইনা বোনা অমদি পদ্মশ্বর, রিভাস্কর অমদি বেকর শান্নগনি হায়রি।

সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

# দি ৱাই এ মায় পাকখ্রে, সলাম এফ সী অমদি কালিকা এফ সী দ্রো চৎখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৮ (ঐচএন এস)ঃ দি য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন কৈরক মনিং লৈকায়না শীন্দুনা এসোসিএসন অসিগী শান্নবুংদা চথরিবা সভেন্টিন রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী লীগ রাউন্দগী মেচশিংদা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী মায় পাকখ্রে। অদুগা সলাম এফ সী অমদি কালিকা এফ সী দ্রো চৎখ্রে।

টিম ৩০না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ১৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথরিবা ১৭শুবা রাউন্দ ওপন ফাইভ মেন সোক্কর ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অহানবা গ্রাউন্দদা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপী অমসুং পব-জি ৱাবগাই শান্নখি। মেচ অদুগী অহানবা মীৎকুপ্তগী হৌনা টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক ফজনা শান্নখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী লম্বা চানা শান্নখিবনা পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈনখি। মেচকী ৩৮শুবা মিনটতা দি ৱাই এগী জর্সি নম্বর ৮ দল্লিয়ু অরুনন্না মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল চনবদা নত্তনা মহাক্কী টিমগী গোল একাউন্ট হাংদোক্লগা দি ৱাই এনা পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পব-জিগী মায়কৈদগী দি ৱাই এগী মাঙজিল থারিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্লবা এটেক কয়া চত্থরক্লবসু পাঞ্জল ওইনা ওন্থোকপা ঙমদবদগী মেচ অদু লোইশিল্লকপদা দি ৱাই এ এলাংখাংপোকপীনা পাঞ্জল ১-০দা মায় পাকখি। ঙসি শান্নখিবা মেচ অদুদা দল্লিয়ু চন্দ্রকান্ত অমসুং ঈ নিলকান্ত রেফ্রিনা য়েলো কার্দ পীখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী প্রী ক্বার্টর ফাইনেল লীগ রাউন্দগী মখা চত্থরকপা মেচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবা গ্রাউন্দদা সলাম এফ সী অমসুং কালিকা এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু টিম অনীনা মায় পাক্লবগীদমক অকনবা লম্বা তৌনদুনা ফজনা শান্নখি। মেচকী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা সলাম এফ সী অমসুং কালিকা এফ সী পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। সলাম এফ সীগী পাঞ্জল অদু তাইবংঙানবা অমদি কালিকা এফ সীগী পাঞ্জল অদু থোইবনা চনখি।



HL-P/3313/24/1-23/3(Alt.)

L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS

| Sl. no | POST | QUALIFICATION | SALARY | AGE | BRANCH | VACANCY |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1. | Computer Operator | Graduate(DTP/Tally) | Negotiable | 18-25 | H.Q | 3 |
| 2. | Office Assistant | Graduate (Computer Know) | Negotiable | 18-25 | Sekmai, Samurou, Thoubal, Kakching, Nambol, Moirang | 2+2 +2+ 2+2 +2 |
| 3. | Grade-IV | VIII Passed | Negotiable | 18-25 | H.Q | 3 |
| 7. | Driver (Car/Tata) | 3 to 5 yrs. experience | Negotiable | 18-25 | H.Q | 5 |
| 8. | Mechanic(2/W & 4/W) | VIII Passed | Negotiable | 18-35 | H.Q | 3+2 |
| 9. | Security | VIII Passed | Negotiable | 18-25 | H.Q | 5 |

#Interested candidates can apply with their personal BIO-DATA along with recent passport size photographs and Contact No. to the following address on or before 20th Feb,2019.
L.G.MOTORS (H.Q) ,KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL WEST, NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING. Pleased Contact: 9383154085
HL-B/4943/25/10-22/12 (alt.)

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com